ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ম্যান্মারদা কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা মৈতৈশিংগীদমক অঙোম নিংথৌ অঙোম অমুবীনা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ত্রেদরস য়ুনিয়ন্দা লুপা লিশীং ৩ অমদি ফেস মাস্ক ২০০ খুৎশিন্নবা

লায়রবশিংগী চাকখাও হাঙহল্লগা শেন্দোং তানবীগনু : ৱাই দি ও

☛ লামায় ২

লৌমীনা ৱানরবসু লৈঙাক্লা দেল্লিদা এম এল এ ফাদোক ফাজিন তৌদুনা লৈরে

☛ লামায় ৩

ৱাবগাই হায় স্কুল হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা ওনখৎপীয়ু

☛ লামায় ৬

এগ্রীকলচর ওফিসর শেল চাবগী ফাখ্রে

☛ লামায় ৭

লমদিং খুমন্থেম লৈকায় বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা লাকখিবশিংদা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দগী ডা. ইতিন মাইবম অমসুং লেৱানা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 131 | শগোলশেন, ইঙেনগী ২৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, August 05, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পদ্মশ্রীগী এপ্লিকেসন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) : গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা মে ২৭, ২০২১দা পীরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টকী লেটর নম্বর ঐচ-২৭০১/১৮/২০২১-ঐচ দি-ঐচ দি (জুলাই ২৭, ২০২১)গী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনা পদ্ম বিভুষন, পদ্মভুষন অমসুং পদ্মশ্রী এৱার্দকীদমক ইলিজিবল ওইরবা স্পোর্টস পর্সনশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি। হায়রিবা এৱার্দশিং অসি লাক্লিবা ২০২২গী রিপল্লিক দেগী থৌরমদা স্পোর্টসকী লমদা শক্লাইরবা অমসুং তোপ তোপ্পা এচিভমেন্ট/সর্ভিস ফংখিবা শান্নরোয়শিংদা পীগদবনি হায়রি।

য়াসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মীতৈনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না এপ্লিকেসন ফোর্ম অসিগী অপীবা ফোর্মেট অমসুং অকুপ্পা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

এগ্রীগী ৱেবসাইট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা লোয়শঙ অসিনা ৱেবসাইট অমা https://elicence.agrimanipur.in কৌবা ৱেবসাইট অমা শেমখ্রে। থবক অসি অত্মা নির্ভার ভারত অভিয়ানগী ইজ ওফ দুয়িং বিজিনেস রিফোর্মসকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বিজিনেস এক্সন প্লানগী ষ্টেটকী ওইনা বোরোয়িং কেপাসিটি হেনগৎহন্নবগীদমক শেমগৎপনি হায়রি।

ৱেবসাইট অসিদা লাইসেন্সশিং পীবা/ফর্টিলাইজর ওর্দরগা মরী লৈননা ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ এক্ট, ১৯৫৫কী মখাদা ফর্টিলাইজরশিং য়োনবা অমসুং ষ্টোরেজ তৌবগী ওথোরাইজেসননচিংবগী থবকশিং ৱেব বেজ ওনলাইনদা চথনবগীদমক্তনি হায়রি।

অনৌবা ৱেবসাইট অসি হয়েং লোঞ্চ তৌগনি। মসিদা মরী লৈনবা ফার্ম/লন্নাই মীওই অমসুং পার্টিশিংনা মসিগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৮৫°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.০৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১২
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৬

HL Poll

Q: Statesida mayoknariba issue pumnamak leikhai tana khannanabagidamak assemblygi meepham numit kharani chathaba chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Loumisingna sijinnagadaba urea harsing matam chana amasung marang kaina fangba ngamdribasi agriculture loisangna soibadagira?

Yes 91% No 09%

অস! লোইরেহে!

-পাউচেদনা হার য়াম্না ফংলি হায়রি মীয়ামদি ফংদে হায়রি।

- ꯄꯥꯎꯆꯦꯗꯅꯥ ꯍꯥꯔ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯐꯪꯂꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯤ ꯐꯪꯗꯦ ꯍꯥꯌꯔꯤ꯫



- হার ফংফম খঙদা তৌরিনি।

- ꯍꯥꯔ ꯐꯪꯐꯝ ꯈꯪꯗ ꯇꯧꯔꯤꯅꯤ꯫

মথংগী মীখলগীদমক বি জে পিনা চপ চানা ফি শেম্বা হৌরে

অমিট শাহগা গোবিন্দাসকা চিকথনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ১দা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা পাঙথোক্লখিবা ‘হেপ্পি ফ্রেন্দসিপ দে’ গী নুমিৎতা ন্যু দেল্লীদা লৈবা বি জে পিগী হেদ কার্টরদা তরাম্না ওক্লুনা পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেটকী অনৌবা লুচিংবা অমা ওইনা য়াওখ্রবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা নুমিৎতুন্দগী হৌজিক ফাওবদা দেল্লীদা লৈরক্তুনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা য়াওনা অতৈ লুচিংবশিং মথং মথং উনদুনা লাকখিবগী মখা তারকপদা ঙসিসু পার্টি অসিগী মরু ওইবা নেসনল লিদর অমা ওইবগী মথক্তা লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্টর ওইরিবা অমিট শাহগা পুঙ্খায়মুক উনদুনা চিকথনখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা বি জে পিদা য়াওশিল্লবা মতুং ঙসি নুমিৎ মরিনি শুরকপদা পার্টি অসিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন অমসু ওইবগী মথক্তা মণিপুরগী ইন-চার্জ ওইরিবা ডা. সম্বিট পাত্রনা মহাক্কী ঙৌরুনবা ক্রিম মচুগী কার (ইন্নোভা) দা গোবিন্দাস কোন্থৌজমগা পূন্না তোংমিন্নদুনা পার্টিগী লুচিংবশিংগী লৈফমশিংদা কোয়না চৎতুনা মথং মথং উনখি। মসিদা ডা. সম্বিট পাত্রনা গোবিন্দাস কোন্থৌজমবু পার্টিগী লুচিংবশিং অদুদা ইন্ত্রোদ্যুস তৌখিবগা লোয়নননা মহাকপু বি জে পিদা করিগীদমক্তা মরু ওইবা মণিপুর ষ্টেটকী লুচিংবা অমা ওইনা য়াওহল্লকখিবনো হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি হায়রি।

লোয়নননা মথংগী কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবগীদমক ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা শেম শারক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী ইলেক্সন্দা বি জে পিগী মায়কৈদগী পার্টিঅসিনা মণিপুরদা য়ামদ্রবদা সিট ৪০দা মায় পাক্লুনা এবসোলুট মেজোরিটি ফংনবগীদমক লৌখৎলক্লিবা অকনবা থৌরাংশিংদা থোইদোক হেনে দাক্লা গোবিন্দাস কোন্থৌজমদা শীন্নগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু পাউদমখি হায়রি।

মণিপুরগী ইন-চার্জসু ওইরিবা পার্টিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন অসিগা লোয়নননা বি জে পিগী লুচিংবশিং মথং মথং উনরক্লবা মতুংদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগসু অতোপ্পা মীওইশিং অমত্তা য়াওহন্দনা মখোয় অনী খক্তগা উনদুনা ফমিন্নরগা অকুপ্পা ৱারীশিং শানখিবনি হায়রি।

ডা. সম্বিট পাত্রনা গোবিন্দাস কোন্থৌজমবু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা ইন্ত্রোদ্যুস তৌখিবগা লোয়নননা পার্টিগী ওইবা মথংগী ইলেক্সনগীদমক তঙাইফদনা টার্গেট থল্লিবা এবসোলুট মেজোরিটি গী মেজিক নম্বর ফংনবগী লাল্লোংদা চথগদবা লান্থোংগী পোরমশিং য়াৎথোকমিন্নখি হায়রি।

মখোয় অনীগী ঙসিগী অপূনবা খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনরবা মতুংদা হয়েংসু পার্টিগী মরু ওইবা ৱাংহৌরিবা লুচিংবা খরগসু গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস): দেল্লীদা হৌজিক লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা থা অসিগী ১দগী হৌরদুনা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং মথং-মথং উনখ্রবা মতুংদা ঙসিসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনখ্রে। উনখিবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরগী মরুওইবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবীননবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ওফিসল ওইনা ইনভাইটসু তৌখ্রে হায়রি।

ন্যু দেল্লীগী লোক কল্যান মার্গতা লৈবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসল রেসিদেন্টসতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনখিবা অদুদা মণিপুরগী লম্বী-থোং, ৱাটর রিসোর্ছেস, থক্লবা ঈশিং ফংহনবগী মতাং, বিল্ডিং য়াওনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং, এয়রপোর্ট দিভেলপমেন্ট, লো এন্দ ওর্দর অমদি মীয়ামগী পুন্সি মহিংগী মতাং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা সেক্তর কয়াদা চাওখৎপা অমদি য়াইফবা পুরক্লনবা কুপ্না খন্নখি। চীফ মিনিষ্টরনসু হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকক্কী সেকেন্দ ৱেভকী লায়না-লাইচৎ থেংননবগীদমক মহাক্লা লুচিংলিবা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং থৌশিলশিংগী মতাংদসু শুগায়বা ৱাফমশিং প্রাইম মিনিষ্টরদা থমখি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্ননবা হোৎনবদা পাউতাক পীরকপগা লোয়নননা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংবীরকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক চথরিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং মতম চানা লোইশিন্ননবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি। হায়রিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসিদা অহো-অরাক লৈহন্দনবা সেন্টরগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু হায়না প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনখি।

লোয়নননা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মরুওইবা প্রোজেক্টশিং প্রাইম মিনিষ্টরনা উরেপ-উয়ুং তন্বীনবা অমসুং শঙ্গাবীনবসু হায়জখি। প্রাইম মিনিষ্টরনসু চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু য়াবগা লোয়নননা ষ্টেট অসিদা চাওখৎপা পুরক্লবা অমদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকশিন্ননবা হোৎনবদা সেন্টরগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিংসু পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

হৌজিক চথরিবা টোকিও ওলিম্পিক ২০২০দা ষ্টেট অসিগী এথলেটশিংনা ফজরবা ফর্ফোর্মেন্সশিং পীখিবা অসিগীদমকসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি মণিপুর মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়নননা লাক্কদবা মতমদা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক্স অমদি অতোপ্পা ইন্টরেনসনল ইভেন্টশিংদা মণিপুরদগী হেন্না অফবা এথলেট কয়া থোক্লক্কনি হায়বগী থাজবসু থন্নকখি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৬৫ থেংনরে, ১৪ শিরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ত্রোল রুমগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা সী এ পি এফকী পর্সনেল অনী য়াওনা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৬৫ (মীচম মীয়াম - ৭৬৩, নুপা ৩৭৭, নুপী ৩৮৬) থেংনরে হায়রি।

ঙসি নৌনা থেংনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ৩৯, জেনিমস ২৭, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৫১৭ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা অনৌবা কেস মশীং ১৮২ থেংনবনি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট ১৪৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৮৫, থৌবাল ৫১, বিষ্ণুপুর ১০০, ককচীং ২২, উখ্রুল ৫, চুড়াচান্দপুর ৬৫, চান্দেল ১৬, সেনাপতি ৮, তমেংলোং ১৯, তেংনৌপল ৭, জিরিবাম ২, নোনে ১, ফেরজোল ৬, কামজোং ১১ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১৬নি। মখোয়গীদমক্তা লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কন্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ১৪ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪, ইম্ফাল ইষ্ট ১, বিষ্ণুপুর ১, ককচীং ২, চান্দেল ১, কাংপোকপী ২, উখ্রুল ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৪ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৬০৬ শুরে ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

কোংগ্রেস পার্টিগী ওর্গনাইজেসন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিটি (এম পি সী সী) গী এম এল এশিং অমসুং এক্স-এম এল এশিংগী ওইবা জোইন্ট মীটিং অমা ঙসি কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোক্লুনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অমদি কোংগ্রেস পার্টি মনুংগী ওইবা পোলিটিকেল দিভেলপমেন্টকী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে হায়রি।

এম পি সী সীগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট এন লোকেননা চেয়র লৌরগা ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদগী হৌরগা নুংথিল পুং ২ ফাওবা চথখিবা মীফম অদুদা সী এল পিগী লিদর ও ইবোবী, সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, এম পি সী সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, এম পি সী সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রো, কোংগ্রেস এম এল এশিং অমদি এক্স-এম এল এশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী ওইরিবা ফীভমশিং অমসুং কোংগ্রেস পার্টিগী ওইবা পোলিটিকেল দিভেলপমেন্টশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়নননা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়াসু অমত্তা ওইনা য়ান্নখি। মীফম অদুনা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং অদুদি মীপায়নিংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী ফীভম থেংননবা হান্নগুম্লা অচেৎপা ফিরেপ লৌবা, কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা মীওই খুদিংমক্তা হেল্থ ক্যেরগী তঙাইফদবা খুদোংচাবশিং অমসুং অতৈ বেনিফিটশিং ফংহন্ননবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিনবা, লৈঙাক্কী স্কিমশিংগী খুখাংদা অমদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা পীবা য়াবা মতেংশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংবা অমদি কোভিদ ভিক্টিমশিং কম্পেন্সেসন পীবগী পোলিসীশিং অমসুং পেন্দমিক অসি থেংনবদা কান্নদে খঙলবা কর্ফিয়ু শাংদোকপগী মরমশিংসু লৈঙাক্তা হংলক্লি।

মীফম অদুনা কোংগ্রেস পার্টি মনুংদা লাক্লিবা অনৌবা পোলিটিকেলগী ফীভম অসি য়েংদুনা পার্টি ওর্গনাইজেসনগী থবকশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবসু ৱারেপ্পখি। লোয়নননা ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক তঙাইফদবশিং অদু কোংগ্রেস ৱার্করশিংবু খঙহন্দুনা সেক্সন খুদিংমক্কী মীয়ামদা মতেং পাংননবা হোৎনবা অমসুং লাক্লিবা এসেম্লী ইলেক্সন ২০২২দা মণিপুরদা কোংগ্রেস পার্টিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংননবা অৱৈবা পাঙ্গলশিং শীজিন্নদুনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিম

স্কিম অসি মীয়াম্না থাগৎনরক্লবসু থৌরাং-থৌশিলদি খোইদৌ শাওগৎনরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ পেন্দমিকক্কী সেকেন্দ ৱেভকী লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা মার্চ ২০২০দগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লিবা লৈবাক মীয়ামগী মতেং ওইনা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর্স কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইবলিহুদ সপোর্ট স্কিম (সী এম সী এ এল এস এস)কী মখাদা ইমুং অমদা ইন্সটোলমেন্ট অনী থোক্লা লুপা ২,৫০০/২,৫০০ পুন্না লুপা লিশিং ৫০০০ পীনবগী থৌরাং লৈবাক মীয়াম্না থাগৎনরক্লবসু হৌজিক চৎথরিবা থৌরাং থৌশিলদদি পেন্নদবগী ৱাকৎশিং মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকপগা লোয়নননা খোইদৌ শাওগৎনরে।

ষ্ট্রিট ভেন্দর/লাইসেন্স পায়বা ভেন্দর; পব্লিক ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরগী মনুংচনবা ওটো রিক্সো, রিক্সো, টাটা মেজিক, ৱিঙ্গর বস; স্কুল ভেন দ্রাইভরশিংগী ওইনা মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কন্মিস্নরশিংগী ওফিসতা অমদি আর্টিষ্ট/পার্ফোমিং আর্টিষ্টশিংগীনা পেলেস কম্পাউনদা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী ওফিসতা ফোর্ম থাজিনগদবনি হায়খ্রবসু ৱাফম অসি চপচানা খঙবা ঙম্নদবা য়াওবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবসু য়াওরি। লোয়নননা অথাপ-অথাপ্পা মফমশিংদগী মীওই কয়া ফোর্ম থাজিনবা লাক্লবসু অমুক্তদা ফোর্ম থাজিনবগী থবক মপুং ফানা লোইশিনবিদবা হায়বদি ফোর্ম থাজিনবগী কুপন পীবা হৌবদগী রসিট লৌবা ফাওবদা নুমীৎ হুম্নিগী ময়াদা চঙবা য়াওরে, কোভিদ-১৯গী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

‘মপান্দা তমগদবা মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙদনবা হোৎনসি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী মপান্দা মহৈ-মশীন তমগদবা মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙদনবা হোৎনবদা এমসু অমদি মপান্দা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা হোৎনমিন্নসি হায়না মহৈরোয় লূপশিংগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোক্লখ্রে।

ঙসি ধনমঞ্জুরি কোলেজগী কেম্পসতা লৈবা এমসু ময়ায় লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন কোলকটাগী প্রসিদেন্ট সলাম বিরনতোন মৈতৈ, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন চান্দিগরগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাজকুমার কিষন, শিল্লোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী এক্সটর্নেল এফেয়রসকী সেক্রেটরি ওক্রম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপা শুংয়া য়ারোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) : মমাঙগী চহীশিংদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবগুম ঙসিসু ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না শীন্দুনা ২৪ রক শুরকপা মণিপুর ইন্টিগ্রিটি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগী মপূং ওইবা থৌরম মপাল কাংজৈবুংগী নোংপোক থংবা এম সেক্টরগীনা মনীং থংবা শরুক্তা লৈরিবা ইন্টিগ্রিটি পিল্লরদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা লুচিংবা তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা ইন্টিগ্রিটি পিল্লরদা লৈ-শুকৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা পাঙথোকখি।

মফম অসিদা হৈকৎ-লৈকৎ তল্লম্লবা মতুংদা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়গী কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা হায়, মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা খুদিংমক অমুকোনা মীয়ামগা খূৎশম্নরগা চপ চানা থেংনগনি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি এন এস সী এন -আই এমনা পিছ টোক হৌরকপা মতম অদুদা নকল অনীগী সিজ ফায়র অদুগী মরুমদা অরোনবা থৌরাং খরা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীল্লে হায়বসি মতমদুদা অমুকোনা ইরায় লায়না খঙখি। সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অদুনা নাকল অনীনা নোংমৈ কাপ্লবা লেপ্তুনা মীয়ামদা ঈং-তপ্পা ফীভম অমা তশেংনা পীবগী মহুত্তা মতম খরা লৈরগা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা অকায়বা ওইরক্কনি হায়বসি মতম অদুদসু অমুকোনা মীয়ামদা য়াম্না ময়েক শেংনা থমখিবনি।

মীয়াম্নসু ৱাফম অদু মমুৎ তানা খঙনখি হায়রদুনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি এন এস সী এন - আই এমগী সিজ ফায়র অদুগী মরুমদা নাকল অনীনা মাগী মাগী ফোর্মুলা কয়া শেমগৎতুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা অকায়বা পীগদবা থবক অমত্তা মতুংদা তৌরক্তনবা মাঙজৌননা মণিপুর মীয়ামগী অচেৎপা ফিরেপ অমা খঙহনবা ওইনা কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ৪দা অমুকোনা শীন্দুনা অচৌবা রেল্লি অমা ইম্ফালদা চৎখিবগা লোয়নননা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌখিবা নুমিৎ অদুবু মথংগী কুমজা ১৯৯৮গী ওগষ্ট ৪দগী অমুকোনা চহী খুদিংগী ‘মণিপুর ইন্টিগ্রিটি দে’ হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

অমুকোনা শীন্দুনা চৎখিবা রেল্লি অমদি পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা মতম পূম্বদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়দনবা হোৎনবদা অমুকোনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌনবা শীন্নবীরম্বা অদু অমুকোনা য়াম্না লূম্না লৌজদুনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপা খুদিংমক মরু ওইনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী লুজদবা থৌশিলগী মায়োক্তা অমুকোনা মীয়ামগা লোয়নননা ফোংনা লাউদুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মিরাবাই চনুগী নোংপোক ককচীং য়াওনা খুল খরদি তোটি ঈশিং থকত্রি

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিনা নীংতম্লক্লবা চহী ৭৪ শুজিল্লক্লবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীপূম খুদিংমক্তা থক্লনবা অফবা ঈশিং পাইপ্তুগী ফংহল্লগনি হায়বা পান্দমগী মখাদা ‘হর ঘর জল’ হায়বা থৌরাং ফাওবা পায়খৎচরবসু ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা হন্দক্তা জপান্দা পাঙথোক্লিবা ৩২শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী ৱেঠলিফটিংদা সিলভর মেদল ফংলক্তুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু হরাও নুংঙাইবনা থুমহৎহনখিবা সাইখোম মিরাবাই চনুগী পোক্লফম লমদম নোংপোক ককচীং য়াওনা নোংদম অমসুং নোংগ্রেনগী মীয়ামদি হৌজিক ফাওবদা তোটি ঈশিং থকপা ফংদনা লৈরম্লে।

অদুম ওইনমক হিংদবদি য়াদবনিনা হায়রিবা খুল অহুমসি খক্তা নত্তনা লাইকোয় চীং, ওকসু নিংথেম খুল, থয়োং নিংথেমচা খুল অমদি নোংপোক হৈরোকনচিংবা পরেং শানা মথং মথং লৈরিবা খুলশিং অসিগী মীয়াম পুন্নমক ঙসি ফাওবদা পুখ্রি অমদি হেন্দ পম্প নত্তনা মখোয়গী থক্ল-চানবা ঈশিংগী অতোপ্পা পান্থে লৈত্রি।

ইম্ফালদগী অৱাং নোংপোক্তা শুপ্নতগী কিলোমিটর ১১ খক্তমক লাপ্লনা লৈরিবা নোংপোক ককচীংদা হান্না হেন্দ পম্প অনী লৈরম্মী। অমনা খুল অসিগী খুনয়ায়দা লৈরম্বনি অদুগা অমনা খুল অসিগী মখা থংবা শরুক লাইকোয় চীংগা তাইনবা খুন্দোন্দা লৈরম্বনি। অদুবু মরী লৈনরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা হেন্দ পম্পশিং অদু মতম চানা রিপিয়ারিং তৌবীদবদগী শীজিন্নবা য়াদনা লৈরকপা চহী য়ামশিল্লক্লে। মরম অসিনা পাইপ্তুগী অফবা ঈশিং থকপমক ফংজদ্রবসু হেন্দ পম্পকী মচিন্দগী তারকপা ঈশিংনা চান-থক্লবা থবকশিংদা শীজিন্নরম্বা অদু হৌজিক্তি অতাঙবা ঈশিং লৈরগা (লিটর ৫০০দা লুপা ১৫০দগীনা ২০০ ফাওবগী মমলদা) শীজিন্নরে। অদুগা ইরু-মায়থজবা, ফি-রোল শু-চাম্বা অমদি কোল-লিক ফেংদোক ফেংজিনগী ঈশিংনা পুখ্রিদগী শোক্লগা শীজিন্নরে।

ওলিম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট সাইখোম মিরাবাই চনুগী খুল মক্তদগী এন রবিনা পাউচে অসিদা হায়, নোংমগী থক্ল-চানবা অফবা ঈশিং অসি হৌজিক মফম অসিগী মীয়াম্না লম্লাই, নাপেৎপল্লি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ঈশিং য়োনবা মীওইশিংদগী লৈরগা শীজিন্নরি। নোংগ্রেন অমদি নোংদম খুল অনীগী ময়ায়দা লৈবা নোংপোক ককচীং খুল



অসিদা তঙাইফদনা লৌ লৌরাক অমমুক চাওবা পুখ্রি অচৌবা অমা মীয়াম্না শীজিন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা থন্বীরগাদি খুলশিং অসিগী খুঙ্গাশিংগী অৱাবা অসি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫